**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি- রাজ্য অসিদা আই.টি অমসুং অতৈ সার্ভিস সেক্তরশিংগী ফিভম ফগৎলক্কুনা মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙম্লে।

২) এন.পি.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমানা হায়রি- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্কুনা থম্বা হায়বসি এন.পি.পিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

৩) দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরগী বি.জে.পিগী এম.এল.এ কাংবু অমনা ঙসি বি.জে.পি নেসনেল জেনেরেল সেক্রেতরি ওর্গনাইজেসন বি.এল. শন্তোসকা উন্নখ্রে।

৪) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদা ঙসি ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং আফগানিস্তান্না তেরোরিজম পুন্না থেংনমিন্ননবা অমসুং লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা য়ান্নখ্রে।

------

ডে (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মনিপুর গ্লোবেল বাইয়র এন্দ সেলর মিট ২০২৫, ঙসিদগী ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়- হৌখিবা চহি অনি অসিদা মনিপুরগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম খরা ফগৎপগী মমিদি তারে । নুমিৎ নিনি চগ্খগদৌরিবা মিট অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী ষ্টোলশিংসু য়াওরি। মসিনা মখোয়গী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিনা পোৎলম কয়া মরুওইনা চাকহাউ, ওর্গানিক্কী পোৎথোকশিং অমসুং ফিশা-লোনশা অমদি খুৎ-শা হৈবগী পোৎলম কয়া পুথোক্লি। হ্যুমেন রিছোর্সকী লমদসু মণিপুর ইনাক খুনবা লমদম অমনি হায়রদুনা আই.টি অমসুং অতৈ সার্ভিস সেক্তরশিংগী ফিভম ফগৎলত্ত্না মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙল্লি। রাজ্য অসিদা ওন্তরপ্রেন্যুরগী ৱাখল্লোন হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলুরগদি ঙসি পাঙথোক্লিবা গ্লোবেল সম্মিৎ অসি অচৌবা কান্নবা অমা ওইরগনি। মসিনা মণিপুরবু মালেমগী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা মরুওইবা মফম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রেদ, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি, মনিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (মনিদকো) অমসুং মনিপুর চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (এম.সি.সি.আই)না পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্লিবা সম্মিৎ অসিদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসুং কলা সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিদা রাজ্য অসিগী ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা নত্তনা মপান লৈবাক্কী লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওই কয়া শরুক য়ারি।

এনপিপি(এল)ঃ নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমানা হায়রি- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি এন.পি.পিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা শ্রী সংমানা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়- এন.পি.পিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা থাজবা থম্মী অমসুং মসিদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই। মণিপুর থুগাইবা নত্রগা তোখায়বা লৈঙাক সাসন অমা থম্বা হায়বসি

এন.পি.পিগী অপান্থা নত্তে। খেৎনবা ৱাখল্লোন কয়া লৈরবসু মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা নিংথিনা ৱারী শান্নদুনা খন্নবা য়াই। মহাকা হায়- চহি অহুম শুরক্কদৌরবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম মীয়াম অৱাবা কয়া মায়োকরি। অৱাবা অসি কোকহন্নবা অমদি মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরকবা হোৎনবা হায়বসি লৈমিন্নরিবা কাংলুপ-ফুরুপশিং অমদি লুচিংবশিংগী দাইত্বনি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী সংমানা হায়- শিল্লোংদা লৈরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা রেড লেন্দ বিল্ডিং শিদোকপগী ৱাফম অমা ঙাংনরক্লিবা অসি মেঘালয় সরকারগী মাইকৈদগী অরিবা বিল্ডিং অসি শিদোকবা অয়াবা পীখিবা লৈতে। মণিপুর সরকারদসু অসিগুম্বা ঐতিহাসিক ওইরবা মোন্যুমেন্ট অসি নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমবা মেঘালয় সরকারগী মাইকৈদগী খঙহনখিবসু লৈ। অসিগুম্বা ঐতিহাসিক ওইরবা বিল্ডিং নিংথিনা ঙাক শেনদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

তুংদা, শ্রী সংমা কাংপোকপী জিলাদা চত্তুনা কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতিগী ওফিসতা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিং অমসুং লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী ভাগুনৈ সিংসিতনা হায়- কোতু অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী মাইকৈদগী মেমোরেন্দম অমা শ্রী সংমাদা খুৎশিন্নখি। উন্নবগী থৌরম অদুদা শ্রী সংমানা মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবা আপীল তৌবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক মহাক্কী দলনা লেপ্লি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি।

শ্রী সংমা নুমিৎ নিনিগী ইম্ফাল খোঙচৎ অসিদা দল অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি নিকি নোংখলো য়াওনা দলগী অতৈ লুচিংবা কয়া লোয়নরকখি।

জিরিবাম (এল)ঃ নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা নোংমগী এন্তি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তামিন্নবগী থৌরম অমা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ

তিনিংফম মোনসাং, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমার, ৱিমেন কম্মিসনগী মেম্বরশিং অমদি শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। নুপী অমদি অঙাংশিংদা চথবা মীওৎ মীনৈগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। থৌরম অসিদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিং অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

মিদিয়া (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী সদস্যশিংগী ইজ্জৎ শোকপা য়াবা ৱাফমশিং মিদিয়ানা ফোংবীদনবা মণিপুর বিধান সভাগী প্রেস এদভাইজরি কমিতিগী চেয়ারমেন- অরিবাম রোবিন্দ্রো শর্ম্মনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

দিল্লি (এল)ঃ দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরগী বি.জে.পিগী এম.এল.এ ৬ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি বি.জে.পি নেসনেল জেনেরেল সেক্রেতরি ওর্গনাইজেসন ওইরিবা বি.এল. শন্তোসকা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা সরকার অমা শেমবগী মতাংদা থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

বি.জে.পি লেজিসলেতিভ মণিপুরগী কনভেনর ওইরিবা খোংবানতাবম ইবোমচা, এম.এল.এনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা শান্তি হঞ্জিনহান্নবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরাংশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা থম্বীনবা অমসুং মসিদা এম.এল.এশিংনা করি করম্বা থৌদাং লোবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা খন্নরুনবা এম.এল.এশিং দিল্লিদা চৎপনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বি.জে.পি মণিপুরগী ইনচার্জসু ওইরিবা ডাঃ সম্বিৎ পত্র য়াওনা বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী ওইবা অনিসুবা মীফম অমা নিউ দিল্লিদা লৈবা মণিপুর ভবনদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা শ্রী সম্বিৎ পত্রনা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা থমবা সেন্তরনা থৌরাং তৌরে। হৌজিক লৈরিবা রাষ্ট্রপতি সাসন অসি মখা তানা শাংদোক্লরোই হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদা ঙসি

ৱাৰ্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। চহি অসিগী হীরমদি-এসেস টু সার্ভিসেস-মেন্টেল হেলথ ইন কেতাসত্রোপস এন্দ ইমর্জেন্সি হায়বসিনি।

নুমিৎ অসি নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার কন্মিস্নার-কম সেক্রেটরি- শ্রী সুমন্ত সিংহ হায়রি- মীওইবনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা পুকিং ৱাখলবুসু নিংথিনা ফনা থন্বা চংই। ৱাখল লায়না নাবগী চাং খুনাই অসিদা নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা মীওইবগী পুকিং ৱাখল ফনা থমবা হোৎনবদা সরকার, লনাই সংস্থানশিং অমদি মীয়ামা পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। রাজ্য অসিগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী পুকিং ৱাখল ফনা থমবা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টতা হেদ ওইরম্বা ডাঃ আর.কে. লেনিননা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক পুকিং লৈতানা লৈননবা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নশি। মসিগীদমক ঐখোয়না হকচাং ফনা পুকিং ৱাখল ইংনা লৈননবা হোৎনমিন্নশি।

থৌরমদুদা হকশেলগী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমারনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক খ্বাইরবন্দ ইমা কৈথেলদা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কংলা গেটতগী ইম্ফালগী নম্বুলেন্দ ফাওবা মেন্টেল হেলথ এৱারনেস রেল্লি অমা চৎখি।

থৌরম অসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল ফিসোলোজি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিক্তসু পাঙথোকখি।

সেন্তর ফোর ৱিমেন এন্দ গার্লসনা কেম্প মেনেজমেন্ট কমিতি রিলিফ কেম্প অমসুং অহুমসুবা অসাম রাইফলসকা খুৎশমদুনা মালেমগী পুকিং ৱাখল ফনা থম্বগী নুমিৎ ঙসি তেংনৌপল জিলাগী জেদ.ই.ও রিলিফ কেম্পতা

পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল (এল)ঃ   পি.এম. কিসানগী মখাদা থৌবাল জিলাগী ওইনা রেজিষ্টর তৌরবা লৌমীশিংনা মখোয়গী দরকার লৈবা চে চাং য়াওনা দিভেরিফিকেসন ফোর্ম থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা এস.দি.ও থৌবাল নত্রগা এস.দি.ও লিলোংগী ওফিসতা থাজিল্লকবা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

চ্যেক (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট মিসন দাইরেক্তর মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনসু ওইরিবী বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১২ দা লুপা লাখ ১৮ লোমগী চ্যেকশিং য়েন্থোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দি.সিনা চ্যেকশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সি. পুজা এলাংবমনা সরকারনা পীরিবা শেন্থং অসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা নিয়ম চুমা শিজিন্নদুনা মখোয়গী শেনমিৎলোন ফগৎনবা হোৎনগদবনি। জিলা অসিদা লৈরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

এআর (এল)ঃ   চান্দেল জিলাগী জোপীদা লৈবা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা জিলা অসিগী খংবারোল, টি. ভোলোন অমসুং জোপীদগী মহৈরোই ৫৮ না শরুক য়াবা এ ডে ৱিথ সোলজরস থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মহৈরোইশিংদা মরৈবাক নুংশিবা অমদি থকশি খাসিগী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়না আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা ফোংদোক্লি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ   দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন-রিমস, ষ্টেট ব্লড

ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মনিপুর, মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স) অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর ব্রান্সনা পুন্না শিনদুনা কুম্বী অৱাং হায়স্কুলদা ঈ দান তৌবগী মরমদা মীয়াম খঙমীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ভেটিরিনারি (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটিরিনারি অমসুং এনিমেল হসবেন্দরি বিভাগকী মখাদা ঙসি ইরিলবুং ভেটিরিনারি ওফিসনা মোবাইল ভেটিরিনারি ওফিসকা খুৎশমদুনা কৈরাও বিত্রাদা শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকপগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শা-ষন ১০০ রোম হিদাক কাপথোকখি।

পঞ্চায়ট (এল)ঃ  হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পঞ্চায়ট ভবনদা নুমিৎ নিনি চঙ্খরকপা কেপাসিতি প্রোগ্রাম ওন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ ডব্লিয়ু.দি.সি-প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সঞ্চয় য়োজনা টু পোইন্ট জিরো ঙসি লোয়শিনখ্রে। থৌরম অসিদা বিভাগ অসিগী অখঙ অহৈশিংনা নীংথম থাদা থাগদবা মনা-মশিং অমদি অতৈ পোৎলমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

তেরোরিজম ঃ     ভারত অমসুং আফগানিস্তান্না তেরোরিজম পুন্না থেংনমিন্ননবা অমসুং লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা য়ান্নখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর অমসুং আফগানগী মপান থৌরম মন্ত্রি মোলাৱি অমিরখান মুতাকিনা তেরোরিজম মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনবদা লৈবাক অনিনা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা য়ান্নখি। মসিদা নত্তনা শান্তি অমদি তংদু লৈতবা ফিভম পুরকবা অমগা অমগা থাজবা হেনগৎহন্নবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি। মীফম অদুদা পহেলগাম টেরর এটেক অদুবু আফগানিস্তানগী মাইকৈদগী অকনবা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা অদুগীদমক ডাঃ জয়শঙ্করনা আফগানিস্তানবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

আফগানগী মপান থৌরম মন্ত্রিনা লৈবাক অদুদা কনাগুম্বা মীওই নত্রগা কাংলুপ অমত্তনা ভারতকী মায়োক্তা থবক তৌনবগীদমক আফগানিস্তান

লৈবাকপু শিজিন্নহল্লোই হায়না থাজবা ফোংদোকখি।

বিহারঃ তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কদৌরিবা বিহার বিধান সভা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবা ইলেক্সন কম্মিসন্না থৌরাং কয়া লৌখৎলে। কম্মিসন্না হায়- অহানবা ওইনা রাজ্য অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৪৩ মক্তা জেনেরেল ওভর্জভর অমমম হাপ্লে। মসিগী মথক্তা পুলিস ওবজাভর ৩৮ অমসুং এক্সপেন্দিচর ৬৭ শিজিন্নরি। কম্মিসনন্না হাপলিবা ওবজাভরশিং অসি মখোয় মখোয়গী কেন্দ্রশিংদা লৈদুনা রাজনিতি দলশিং অমসুং মীরেপশিংগা উন্নদুনা মখোয়না মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং অদু খন্নগনি।

মীখল অসি শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক ওফিসিএল লাখ ৮ লিশিং ৫০ হেন্না শিজিন্নগদৌরি। মসিগী মনুংদা পোল্লিং পার্সোনেল লাখ মরি লিশিং ৫৩, পুলিস ওফিসিএল লাখ অনি লিশিং ৫০, কাউর্ন্টিং পার্সোনেল লিশিং ২৮ অমসুং মাইক্রো ওবজাভর লিশিং ১৮ য়াওরি।

রাজ্য অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ মথং থাগী ৬ তা থাদনগনি। সিট ১২১ দা ভোট থাদনগদৌরিবা মীখল অসিগীদমক মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৭ নি। অনিশুবা তাঙ্ককা নবেম্বর ১১ দা সিট ১৭২ দা ভোট থাদনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ৩০ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

গ্রুপ (বি) গী ওইনা মনিপুরনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ মরি শান্নবদা পোইন্ট ১২ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি।

গ্রুপ (দি) গী মেটচ অমদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাব শান্নবদা হরিয়ানানা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ   ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এম.এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা এস.এফ.সি শুগনুবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ   ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি.এস.এ এলাং খাংপোকপীনা টি.য়ু.সি থোংজাউবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ    জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৪ সুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ হয়েংদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৩৬ না শরুক য়াগনি। অহৌবা নুমিৎতা গাইদিনজাং য়ং এসোসিয়েসনগা রগাইলোং সোকর এলেভেনগা শান্নগনি।

------